# ট্রিপুরাগী মৈতৈশিংনা নেপালিশিংনা শাবা মৈতৈগী নাৎকী ফিজোলশিং লৈরগা শীজিন্নরি ঃ কুসুম

অগরতলা, আগষ্ট ১৭ (জে এন এন)ঃ
মৈতৈ ওইনা মৈতৈগী চৎনবী, লাইনিং লাইশোনগী থৌরমদা ইনাৎকী ফিজেৎ-চাকচেৎতা মণিপুরগী ফিরোলশিং অদুমক শীজিন্নরি। ট্রিপুরাগী মৈতৈ নুপীশিংনা শীজিন্নরিবা ফি মখলশিং অসি য়াম্না তাঙনা নেপালিশিংদগী লৈদুনা শীজৈন্নৈ হায়না সেছুরিয়া ফেদরেসন চেছুরিয়া ৰিভিং ট্রেনিং সেন্টর অগরতলাগী সেক্রেটরী নোংথোম্বম কুসুম সিংহানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরদগী খঙ হৈরবা ওঝাশিং ট্রিপুরাদা লাক্কুনা তাকপি তম্বিবরা নৎত্রগা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা থৌরাং অমা শীন্দুনা মণিপুরদা লেম্মা তমজনবগী খুদোংচাবা ফংহনগেরা করিনো অমা তৌবিরবদি ট্রিপুরাগী মৈতৈশিং শেল-থুমগী ফিভমদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইগনি।

সেছুরিয়া হায়রিবা ভিল্লেজ অসি মৈতৈশিংনা চীংঙারম হায়না কৌনৈ। মফম অসিদা ৱাৰ্ল্ড বেঙ্ককী শেম্হুংনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরগী এন ই আর এন টিগী মখাদা সেছুরিয়া ৰিভিং ট্রেনিং সেন্টর অসি চল্লাইবনি।

সেন্টর অসি মফম অদুদা খুন্দারিবা মৈতৈ অমসুং বেঙ্গোলি-



শিংগা পূন্না ২০১৪ দা লিংখৎ-মিন্নখিবনি। মপূং ওইনা লৈত-লাইরবনা অয়াম্বা ওইবা মফম অসিগী মীয়াম মরু ওইনা নুপীশিংদা য়েন লোইবা, শা-ষণ য়োকপা অমদি ফিসা লোন্‌শাগী ট্রেনিং পীদুনা মশানা মশাবু থবক পীজদুনা ইমুং মনুংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎনবা হোৎনবনি।

হন্দক থা ৩-৪ গী মমাঙদগী হৌনা অসামদগী ওঝা অনী লাক্কুনা দিজাইন য়াওবা ফি মখলশিং শাবগী তাকপি তম্বিরি। হৌজিক সেছুরিয়াগী মৈতৈ নুপী ৯ না থৱায় য়াওনা ফি লোনশা তম্লি। সেন্টর অসিদা ফিশাকোল ৬ সু লৈরি।

ট্রিপুরাগী মৈতৈশিংনা চম্না শাবা য়াবা অরাইবা মখলগী হায়বদি ফনেক খুদৈনচিংবদি অয়াম্বনা শাদুনা শীজিন্নরে। মমল অতাঙবা ফিশিং হায়বদি ৱাংখৈ ফি, রানি ফি, ফিগে, মোইরাংফিনচিংবদি শাবা হৈত্রি। অসিগুম্বা মখলগী অতাঙবা ফিশিং অসি শাবা তম্মিংবগী অপাম্বা নুপীশিংদা লৈরবসু খুদোংচাবদি ফংদে। মরম অদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, লনাই মীওইশিংনা ট্রিপুরাদা খুন্দারিবা মৈতৈশিংগী খনবিরগা মৈতৈশিংনা লাইনীং লাইশোলগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা শীজিন্নরিবা অতাঙবা মখলগী ফিশিং শানবগী ট্রেনিং পীবিদুনা ট্রিপুরাগী মৈতৈশিংসু মৈতৈ অমা ওইনা হিংনবগী হক অমসুং শেম্হোক লম্বী লৈনা মীপান তাংদনা লৈনবগী থৌরাং লৌখৎপিয়ু হায়নসু মহাক্না মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিনখি।

## বেবিস্না মীশিদা চেন্নবশিং পুথোকউ হায়না মফম কয়াদা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৭ (এস এন এস )ঃ
ইম্ফালগী কাঞ্চিপুরদা লৈবা ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় বেবিস্না স্কুলগী বোর্দিংমক্তদা চীংননিঙাই ওইবা মওংদা শিদুনা লৈরম্বা থৌদোক্তা চেন্নবশিং পুথোকউ হায়না ঙসি তোঙান তোঙানবা নুপী লূপ কয়ানা শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা পিশুম নিংঙোম লৈরক্তা লৈবা য়াইফ লমজিং লূপ (ৱাই এল এল)না শীন্দুনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা বেবিস্না মীহাৎতা চেন্নবশিং পুথোকউ হায়না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাইখোম লৈকাই গভর্ণমেন্ট অপ্পর প্রাইমারি স্কুল শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকাইগী মহৈরোয় অমসুং ওঝাশিংনসু ঙসি বেবিস্না মীশিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবিয়ু হায়না খোঙজং চথখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১০ দগী চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী মহৈরোয় ভিক্টোরিয়া কোইজমনা ফোঙদোরকখিবদি থা ১ মপূং ফারবা বেবিস্নাগী মীশি অসিগী অচুম্বা লংলা লংজিল অমত্তা ঙসি ফাওবা পুথোকপা ঙমদনা নাথৈদুনা থম্নবা হোৎনরিবা অসি পেন্দে। জে এ সিগী খোঙজং খূদিংমক্তা শরুক য়ানবগীদমক শেম শাদুনা লৈগনি অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হৈনবী মৈ চাকপা লোইরগা ফয়ার বৃগেদ কৌবগী থৌওং অদু থাদোকপিয়ু। মৈ চাক্রিঙৈদা মণিপুর কল্লু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি। শগোলবন্দ, উরিপোক্লচিংবা মফম কয়াদসু ঙসি নুপীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা বেবিস্না মীশিগী অচুম্বা লংলা লংজিল পুথোক্তুনা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

## বি এস এন এলগী ওইনসু অথুবা মতমদা ফোর জি সার্ভিস হৌদোক্লগনি

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৭ (এস এন এস )ঃ
ভারত সনচার নিগম লিমিটেদ (বি এস এন এল)না ইম্ফাল এরিয়াগী ওইনা অথুবদা ফোর জি সার্ভিস হৌদোক্লগনি হায়রি।

বি এস এন এল ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর (মার্কেটিং)না ঙসি মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, বি এস এন এল সবস্ক্রাইবশিংনা মখোয়গী সিম অদু লেম্না ফোর জিদা অপগ্রেদ তৌবা য়াগনি। বি এস এন এল কষ্টমর সার্ভিস সেন্টর নৎত্রগা রিটেল আউটলেটশিংদা হায়রিবা খুদোংচাবা অসি ফংগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## শা-ষণগী খূৎশেমগী মচা লৌবগী এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, আগষ্ট ১৭ (জে এন এন)ঃ
দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিসার জিরিবাম্না শীন্দুনা আর্টিফিসিয়েল ইন্সিমিনেসন ৱিথ ফ্রোজন সিমেন টেক্নোলোজি হায়বসিদা নোংমগী ওইবা পব্লিক এৱার্নেস প্রোগ্রাম ঙসি জিল্লা পরিষদ জিরিবামগী ওফিস্তা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা খুঙ্গং লমদা লৈবা শোম্খরবা পোল্টরি ফার্মর ৫০ দা লো ইনপুট টেক্নোলোজি বার্দসু য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা অধক্ষ্য কেঐচ জানকি দেবীনা অথোইবা মীথুংলেন, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. ঐচ চাউবা সিংহনা থৌরম মপু অদুগা আই সি দি পি প্রোজেক্ট ওফিসার ডা. কেঐচ শান্তিবলা দেবী, দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিসার ডা. এম মুহিন্দ্রো সিংহনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

ডা. টিঐচ শান্তিবালা দেবীনা আর্টিফিসিয়েল ইন্সিমিনেসনগী মতাংদা ৱা ঙাংদুনা নৈনখি অমসুং কমদৌনা শা ষণদা খূৎশেমগী পাম্বৈনা ধারা লৌগদগে, শন্দোক্কদগে হায়বগী মতাংদসু দিমোন্সট্রেসন তৌখি।

অধক্ষ্য কেঐচ জানকি দেবীনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী রুরেল এরিয়াদা লৈরিবা মীওইশিং অসি অয়াম্বনা শেল থুমগী ফিভম ফত্তে। অদুনা লো ইনপুট টেক্নোলোজি বার্দ পোল্টরি ফার্মরসশিংদা য়েন্থোকপা অসিনা কান্নবা খরমখৈদি ফংলগনি। ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টনা অসিগুম্বা প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা অমসুং লাইরবা শেল থুমগী ফিভম ফত্তবা লৌমীশিং য়াইফনবগীদমক য়ুমদা য়োকপা শা-উচেক য়েন্থোকখিবা অসি থাগৎপা ফোঙদোকখি।

দাইরেক্টর ডা. ঐচ চাউবা সিংহনা ফ্রোজন সিমেন্না খূৎশেমগী মচা লৌবগী তঙাইফদবা অমসুং মরু ওইবা লৌমীশিংদা খঙহনখি। মসিগী মতাংদা খুঞ্জাশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাঙগনি হায়বগী থাজবসু পীখি।

## লৌ পানবা য়াখিবগীদমক ফোরেষ্ট মিনিষ্টর অমদি জিল্লা পরিষদ মেম্বরবু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৭ (এস এন এস )ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা ১০৪ তোপ চিংথা ভিল্লেজগী মফমশিংদা লেপ্তুনা ঈশিং পীরকপদগী তোপ চীংথা লৌকোলগী শরুক ৩ থোকপগী ২ লৌ পানবা য়াখিবদা কেন্দ্র অসিগী মীহুৎসু ওইরিবা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমার অমদি তুলিহল জিল্লা পরিষদকী মেম্বর কে ইনাওচা দেবী অমদি তোপ চীংথা ফার্মরস ক্লবকী মেম্বরশিংবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

য়াইরিপোক তোপ চীংথা ফার্মরস ক্লবকী সেক্রেটরী ঐচ রঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কুমসিগী ওইনা লৌ পানবা ঙম্লরোইদ্রা হায়বগী মীপাইবা লৈনরকপা মতমদা অহিং নুংথিল নাইদনা ঈশিং পীরকপা, হার ফংহনবা, এম আই দিপার্টমেন্টনা ঈশিং চিংনবা পম্প অমসুং দিজল থাউ মতেং পাংলকপনা মরম ওইরগা লৌকোলগী শরুক অহুম থোকপগী অনী লৌ পানবা ঙমখিবনি। পূম্নমক অসি মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারগী মীৎয়েং মখাদা ফার্মরস ক্লবনা পায়খৎখিবনি হায়রি।

## স্কুল ফগৎহনসি মিসন মোরেদা হৌদোকখ্রে

মোরে, আগষ্ট ১৭ (এস এন এস )ঃ
তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা বোর্দর টাউন মোরেগী মোরে গভর্ণমেন্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি স্কুল ফগৎহনসি মিসন হৌদোকপগা লোয়ননা মোর্দন স্কুল অমা ওন্থোক্লবগীদমক তেংনৌপলগী এম এল এ কোরুংথাংনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মোরে গভর্ণমেন্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল এস সোখোথাং হাওকিপনা থৌরম মপু অদুগা এ দি সি চান্দেলগী ভাইস চিয়ারমেন তোংপাও মাতে, দি সি তেংনৌপল ঐচ রুপচন্দ্র, জেদ ই ও তেংনৌপল এম অরুনকুমার অমদি এ দি সি মেম্বর লম্বোই গাংতেনা ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা তেংনৌপল কেন্দ্রগী এম এল এ কোরুংথাং অমসুং অতৈ কয়ানা স্কুলগী অকোয়বদা মতিক চাবা ফেন্সিং লৈত্রিবা অসিগী ফিভম হাকথেংননা য়েংশিনখি অমদি স্কুলগী ফিভমসু য়েংশিনখি।

দি কোরুংথাং এম এল এনা হায়, স্কুলশিংদা পোলিটিক্স তৌবগী মহুত্তা অফবা ৱাখল্লোন অমা পূন্না শেমসি, মীচঙ মীখায় নাইরবদি পাপ পুগনি। এদুকেসন ফগৎহনসি হায়রবদি মীচঙ মীখাই নাইদনা চপ মান্নবা মীৎয়েং থমশি।

## ইবোয়াইমা শঙলেন্দা মণিপুরী লোনগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৭ (এস এন এস )ঃ
ষ্টেট লেভেল সেলেব্রেসন কম্মিটি অমনা শীন্দুনা চৎলিবা থা অসিগী ২০ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ তাবদা ইম্ফালগী কোনুং মমাঙদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা ২৮ লক শুবা মণিপুরী লোনগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কদৌরি।

কম্মিটি অসিগী কনভেনর এল সরতচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ১৯৯২ আগষ্ট ২০ দা মণিপুরী লোনবু ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা অদু নীংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোরকখিবনি। থৌরম অসিদা মীয়াম্না মতম চানা লাকপিদুনা শরুক য়াবিনবসু কম্মিটিগী মায়কৈদগী পাউজেল পীরি।

## চাক্লাম খোঙচৎকী মোবিলাইজেসন হৌখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৭ (এস এন এস )ঃ
চৎলিবা থা অসিগী ২৭ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোক্ক-দৌরিবা ৫৪ রক শুবা চাক্লাম খোঙচৎকা মরী লৈননা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না শীন্দুনা ঙসিদগী তোঙান তোঙানবা স্কুল কলেজ অমদি এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা ক্লাস মোবি-লাইজেসন চৎপা হৌখ্রে।

এমসুগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরী লুনপাও লুফেংনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা হেরিটেজ কনভেন্ট স্কুলদা এমসুগী প্রসিদেন্ট পিটর লাইশ্রম অমদি জোইন্ট সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন মোইরাংথেম প্রভিন য়াওনা থৌমীশিংনা ক্লাস মোবিলাই-জেসন মায় পাক্না হৌদোকখ্রে।

মোবিলাইজেসন অসি চীং অমসুং তমদা লৈবা মহৈ লোয়শঙ খূদিংমক্তা আগষ্ট ২৭ য়ৌদ্রিফাওবা পাঙথোক্কনি। মহৈরোয়শিং অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি মীয়াম্না এমসুদা পাংবা য়াবা মতেং পাংবিয়ু হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## চেরিটি হোমদা কেম্প পাঙথোকখ্রে

মোরে, আগষ্ট ১৭ (এস এন এস )ঃ
মোরে ৱার্দ নম্বর ৯ লাংনোম ভেংদা লৈবা মেছেনরি চেরিটি হোমদা ৪৩ অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা চিলদ্রেন কেম্প পাঙথোকখ্রে।

৪৩ অসাম রাইফলসকী মেজর অনকিত শর্ম্মা, মেছেনরি চেরিটি হোমগী ফাদর পিতর অমদি মোরে সেন্ট জোজ হায়স্কুলগী ফাদর লুনদুশ্বামিনা মরু ওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মেজর অনকিত শর্ম্মনা চিলদ্রেন হোম অসিগী অঙাংশিংগীদমক মতম মতমগী দরকার লৈবদা পাংবা য়াবা মতেং কয়া পাংদুনা লাক্লি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা হোম অসিগী অৱাৎ অপা কয়া লৈরবসু মকোক থোংবশিংদা খঙহন্দুনা শেমগৎ শাগৎপা য়াবা কয়া থবক্তা ওনথোক্নবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবসু পীখি। অঙাংশিংগী ওইবা তোঙান তোঙনবা ইন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রাম কয়াসু পাঙথোকখি হায়রি।

## ফিজোথেরাপি এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৭ (এস এন এস )ঃ
ইন্দিয়ান এসোসিয়েসন ওফ ফিজোথেরাপিষ্ট ৱুমেন সেল মণিপুর ষ্টেটনা শীন্দুনা থবক শুবা নুপীশিং ফিজোথেরাপি এৱার্নেস প্রোগ্রাম ঙসি রিমস হোস্পিটালগী নর্সিং দিপার্টমেন্ট মিটিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সেল অসিগী সব কোওর্দিনেটর বেবিরানি নহাকপমনা ফোঙদোরক-খিবদি নর্সিং ষ্টাফ ৫০ না শরুক য়াখিবা প্রোগ্রাম অদুদা ডা. অঙোম রিতা দেবী পি টি অমসুং ডা. শৌগ্রাকপম রোসনি পি টিনা তোঙান তোঙানবা হিরমদা ৱা ঙাংদুনা নৈনখি হায়রি।

## ভারত মাতাদা হৈ-লৈ কত্তুনা খুরুমজবগী চৎনবী পাঙথোক্তুনা লাক্লি ঃ আর এস এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৭ (এস এন এস )ঃ
রাষ্ট্রিয়া স্বায়ম সেভক সঙ্ঘ (আর এস এস) অমদি মসিগী মশা লোয়শঙশিংনা থৌরম প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকপদা ভারত মাতাদা হৈ লৈ কত্তুনা খুরুমজবগী চৎনবী অমা লিশাং শিংনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়না আর এস এস ইম্ফাল জিল্লাগী ১২৮ শুবা পেট্রিওদ দে ওর্গনাইজিং কম্মিটি কনভেনর ওক্রম রোমেন সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা আগষ্ট ১৩ অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ আর এস এস ইম্ফাল জিল্লানা শীন্দুনা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা আর এস এসনা এঙ্গলো মণিপুর ৱার ১৮৯১ অমদি লানফম অদুদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংবু পুৱারীদা লান্না পাউথোক্লবা, উহন্নবা নৎত্রগা অরানবা ৱারী শিংবুল শাগৎতুনা মণিপুরগী পুৱারীবু তাইওন্নবা লম্বী অমদা পুনবা অতম্মনা শীনখিবা নৎত্রগা থৌরাংখিবা অমত্তা লৈতে। ঙসি ফাওবদা আর এস এসনা তোঙানবা নুমিৎ থা, চহী অইবা রেকোর্দ নৎত্রগা লাইরিক ওইনা ফোঙদুনা মণিপুরগী পুৱারীবু চয়েৎননবা অরানবা লম্বীদা চৎনবা হোৎনখিবসু লৈতে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইরমদম মণিপুরদা আর এস এস শাফোঙলকখিবা মতমদুদগী হৌনা মণিপুরগী, ইমা লৈবাক্কী নীং তম্বা, ঙমখৈ ঙাক্লবা থৱায়না পোম্বা পীখ্রবা লাইওইখ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংবু নীংশিংবা ইরাৎ থৌনি থৌরম লেপ্তুনা পাঙথোক্কু না লাক্লি। লাইওইখ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংবু শৈথাদুনা শকশোনবগী ঈশৈ কয়া আর এস এস মণিপুরনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংদা লেপ্তুনা পাঙথোক্কুনাসু লাক্লি। হন্দক অথৌবশিংগী নুমিৎ ১৩ আগষ্টকী থৌরম অদুদা ভারত মাতাগী ফোটোগা মণিপুরগী অথৌবশিং বীর টিকেন্দ্রজিৎ, থঙ্গাল জেনরেলগী ফোটোগা পূন্না থম্মিন্নদুনা হৈ-লৈ কৎখিবা, ইরাৎ থৌনি পাঙথোকখিবা অদুনা কনাগুম্বা ইরমদম অসিগী সি এস ওশিং, মহৈরোয় লূপশিং, লনাই মীওইশিং লোয়ননা ইরৈচাশিংগী পূক্নিং ৱাখল অমদি থম্মোয় শোকহনখিবা য়াওরন্নগদি মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎচরগনি। থৌদোক অদুগীদমক আর এস এস ইম্ফাল জিল্লাগী মায়কৈদগী থম্মোয় শেংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। ৱারৌ পুরৌবা থম্বিদনবসু আপিল তৌরি।

## ব্রিদজ ওফ হোপস কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে

মোরে, আগষ্ট ১৭ (এস এন এস )ঃ
মোরে ৱার্দ নম্বর ২ দা লৈবা ব্রিদজ ওফ হোপস মোরে প্রোজেক্টনা শীন্দুনা ঙসি ইন্দিপেন্দেন্ট দে অমদি কলচরেল থৌরম কয়া মসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মোরেদা লৈবা ৪৩ অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট সুমিট সুদনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা মেজর অক্সে য়াওনা ব্রিদজ ওফ হোপস মোরে প্রোজেক্টকী তোঙান তোঙানবা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি। ৪৩ এ আরগী সি ও সুমিট সুদনা ব্রিদজ ওফ হোপসনা এ আরগী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা স্পোর্টস মেটরিয়েল অমদি লাইব্রেরী থম্নবা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা থমখি হায়রি।

## তুইলেলোন ভিল্লেজদা তোইলেট ব্লোক শাবা লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৭ (এস এন এস )ঃ
লমহাংদা অমাং অশোয় তৌশিন্দবা হায়বা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা ২৮ সেক্টর অসাম রাইফলসকী শজিক বট্টালিয়ন্না অসাম রাইফলস সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম ২০১৯-২০ গী মখাদা অহানবা ওইনা তুইলেলোন ভিল্লেজদা ফম্ফম অনী লৈবা প্রি ফেব্রিকেটেদ টোইলেট ব্লোক শাবা লোইদুনা ঙরাং এস দি ও চকপিকারোং এসঐচ রেং দেবিদ কুংনা শঙ্গাদুনা খুঞ্জাশিংদা শিন্নখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, খুদোংচাবা অসিনা খুঞ্জাশিংগী হিংবগী থাক ফগৎহনবদা নত্তনা অকোয়বগী ফিভম তরু তনান্না অমসুং লু নান্না থম্নবা হোৎনবদসু চাউনা মতেং ওইরগনি। মোদুলর টোইলেট ব্লোক অসি পুথোক পুশিন অমসুং খিন্দোক খিনজিন তৌবদা য়াম্না লাইবা মখলগী ব্লোক্নি হায়রদুনা শেম শাবগী মচাক মথুমসু অসুক্কী মতিক হন্থনা চঙই হায়রি।

এন ই রিজনগী ওথোরাইজ সোলুসন পার্টনর ওইরিবা টাটা ষ্টিল নেটস ইনগী হাই জেনেটিক ইন্দিয়াগী দিরেক্টর হরদিক ব্যাসনা প্রোজেক্ট অসি থবক্তা পাঙথোকপদা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা প্রোজেক্ট অসি মণিপুরদা অসাম রাইফলস অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকা খূৎশম্নদুনা হেন্না থবক তৌবা ঙম্বগী অপাম্বা অদুসু ফোঙদোকখি।

## মেমোরিয়েল লেকচর

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৭ (এস এন এস )ঃ
রিছার্স ফোরম মণিপুর (রিফোর্ম) না ষ্টেট আর্কিওলোজিগা খূৎশম্নদুনা অনীরকশুবা ডা. এল ভৈগ্যচন্দ্র মেমোরিয়েল লেকচর হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবদা ইম্ফালগী কংলা হোলদা পাঙথোক্লগনি। ষ্টেটস ওফ ইন্দিজেনস পিপল ঃ এ কেস ষ্টদি ওফ মীতৈ হায়বা হিরমদা এম য়ুগী রিটয়ার্দ প্রো. দব্লিউ নবকুমারনা লেকচর পীগনি হায়রি।

## মেরিকোম বোক্সিং একাদেমিদা এ আরনা লাইরিক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৭ (এস এন এস )ঃ
নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী মন্ত্রিপুখ্রি বাট্টলিয়ন্না সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা ইম্ফালদা লৈবা মেরিকোম বোক্সিং একাদেমিগী শান্নরোইশিংগীদমক য়াম্লবা লাইরিক য়েন্থোকখ্রে।

লম্ফেলপাৎকী গেম ভিল্লেজদা লৈবা একাদেমি অসি ইন্দিয়াগী ওইনা বোক্সিংগী খ্বাইদগী শীংথানিঙাই ওইবা একাদেমি অমনি অমসুং ৱার্ল্ড ক্লাসকী খুদোংচাবা কয়া ফংবগা লোয়ননা বোক্সরশিং ট্রেনিং পীরি। হৌখিবা জুন থাদা অসাম রাইফলসকী দি জিনা বোক্সিং একাদেমি অসিদা চত্তুনা মেরি কোমগা ৱারী ৱাতাই শান্নবা মতমদা বোক্সরশিংনা মখোয়গী হেন্না খঙনিংবা অমসুং রিক্রিয়েসনগীদমক লাইরিক দরকার ওই হায়বা খঙবা ঙমখি হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা দি জি অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী বট্টালিয়ন অসিনা স্পোর্টস পার্সনশিংদা লাইরিকশিং অসি পীখিবনি হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা ফোদোরক্লি।

মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়নগী কম্মা-ন্দেন্টনা প্রিসাইদ তৌদুনা একাদেমি অসিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা লাইরিকশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। থৌরম অদুদা ৱার্দেন, এসিষ্টেক্ট মেনেজর, মেনেজমেন্ট ষ্টাফ অমসুং য়ুমথংননা লৈমিন্নরিবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। তোঙান তোঙানবা মখলগী লাইরিক ১৬৫ একাদেমি অসিগী ৱার্দেন অমসুং এসিষ্টেন্ট মেনেজরদা শিন্নখি। এসিষ্টেন্ট মেনেজরনা একাদেমি অসিগীদমক লাইরিক মতেং পাংবিবগী অসাম রাইফলসপু থাগৎপসু ফোঙদোকখি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৭ (এস এন এস )ঃ
থাঙ তাগী শিন্তাকপুরেল মোইরাংথেম মনিনা লৈখিদবদা থাঙ তা লোইশঙ সনাকোনুংনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমি এৱার্দ ফংখ্রবা সলাই ৭ হুয়েন লাল্লোং থাঙ তা কনবা লূপকী অহল ইবুঙো অমদি লোয়শঙগীসু পাউতাক্লোই ওইরিবা মোইরাংথেম মনি নিংথৌ মনা ফি, শাফি লানফি ফংখ্রবা লৈবাক্কী মশক নাইবা শিন্তাকপুরেলনি।

থাঙ তা লোয়শঙগী পাউতাক্লোই সলাম শমসা লুৱাংনা ময়ায় ফমদুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফম্না মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি অমসুং তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা ইংনা চিক্না লৈরুনবগীদমক থৌনিজখি হায়রি।


GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL
PETTIGREW COLLEGE, UKHRUL-795142, MANIPUR

Last Date of form Submission 22-08-2019

ADMISSION OPEN
FOR
B.VOC PROGRAMME IN

Limited Seats of 50 only for each course

- B.VOC. YOGA & NATURE CURE
- B. VOC. TOURISM & HOSPITALITY MANAGEMENT

ELIGIBILITY :- 10+2 OR EQUIVALENT IN ANY STREAM
FORM AVAILABLE IN THE COLLEGE DURING 10:00 A.M. TO 3:00 P.M.

For details Contact :
MUNGREI NGALO, NODAL OFFICER # 8131864170

SL/5204/15-21 Aug


## ঙসিগী রাষি ফল (১৮-০৮-২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*



**মেষঃ** শোক্কনবা, কোক শাবা মতম্নি। শেল চৎলগনি। ৱাখল হকচাং ফবা ৱাৎলগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। হকচাং ফত্তে। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** খৎনবা, ৱারৌবা, শাওনবা, ৱাখল লাঙবা মতম্নি। মীগী মতেং পাংলুগনু। শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ ফত্তে।

**মিথুনঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬,৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা, লম চৎপা, মী তিন্নবা য়াবা, কান্নবা ফংবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** অশোক অপন নংবা, কোক শাবা মতম্নি। শেল চৎপা, মীনা য়েংশিনবা ওইরি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১০ ফত্তে, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** ৱাখল হকচাং থবক্তা ফবা ৱাৎলগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। পোৎ লৈবদি য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। অরুবা খরা পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফগনি, ১৪ ফত্তে।

**তুলাঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পোৎ মাল লৈবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, অরুবা পাঙথোকপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫,১৬ অফবনি।

**বৃশ্চিকঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা য়াবা মতম্নি। হকচাং ৱাখল ফগৎলগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।

**ধনুঃ** খৎনবা, শাওনবা, শোক্কনবা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা, ইমুংদা শান্তিদি খরা ৱাৎলগনি। নক্ষত্র ১৯ ফত্তে, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** খুদোংচাবা থেংনবা ৱাখল লাঙবা, শেল চৎপা, য়েক্নবা হেন্না চাউখৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ ফত্তে।

**কুম্ভঃ** চাউখৎপা ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, লম চৎপা কান্নবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা মতম্নি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৩ ফত্তে, ২৪, ২৫ ফগনি।

**মীনঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, খুদোংচাবা থেংনবা মতম্নি। হকচাং ফগৎপা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৫,২৬, ২৭ অফবনি।







